**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 23.03.2024)**

**গেমসঃ** অহুমশুবা নোর্থ ইষ্ট গেমসকী নুপাগী ফুটবোল ফাইনেলদা ঙসি মনিপুরনা মিজোরামবু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীদুনা মনিপুরনা সনাগী তকমান লৌরে।

ঙসি নুংথিল পুং অনিদগী শান্নবা হৌখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা হাফতা মিজোরামনা গোল অমা চনদুনা মাংজিল থানা চৎখি। অদুমওইনমক, অনিশুবা হাফতা মনিপুরনা গোল অনি মথং মথং চনদুনা সনাগী তকমান লৌখিবনি।

মনিপুরগী গোলশিং অদু-জরসি নম্বর টু-দেনি অমসুং জরসি নম্বর-১৮, সনাথোইনা চনখিবনি।

মনিপুরগী সনাথোইনা বেষ্ট স্কোরর অমসুং বেষ্ট প্লেয়ারগী মনাসু ফংলে।

গেমস অসিদা মনিপুরগী ফুটবোল টিমনা সনাগী তকমান লৌরকপদা য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা থাগৎপা ফোংদোরক্লি। অহুমশুবা মফমগী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচতা নাগালেন্দনা অরুনাচল প্রদেসপু পাঞ্জল ৪-২ দা থোইদুনা নাগালেন্দননা শেঞ্জেংগী তকমান ফংলে।

**রাজ্যপাল (এল)ঃ** রাজ্যপাল-অনুসিয়া উইকেনা হায়রি-মনিপুর হায় কোর্ট লিংখৎখিবা অসি মনিপুরগী মীয়ামদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা হোৎনবগী শিংথানিংঙাই ওইরবা তাঙ্কক অমনি।

ইম্ফালগী সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা ঙসি পাঙথোকখিবা হায় কোর্ট ওফ মনিপুরগী ১১ শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা শরুক য়ারদুনা রাজ্যপালনা হায়-মনিপুর হায় কোর্ট লিংখৎনবা হোৎনবদা আইনগী লমদা থবক তৌরিবশিং য়াওনা মীয়ামা লৌখিবা থৌদাং অদু থাগৎনিংঙাইনি। শ্রীমত ভগবত গীতাদা জজ অমা হায়বসি থস্মোয় শেংনা মীওইবা খুন্নাইগীদমক থবক তৌবা ওইগদবনি

হায়রি। জজশিংনা কৈদৌনুংদসু মশাগী ওইবা ৱারেপনা ৱায়েল চথরোইদবনি। মতিক চাবা প্রমানশিংদা য়ুম্ফম ওইদুনা ৱাফম অদু কুপা নৈনরবা মতুংদা ৱারেপ লৌদুনা ৱায়েনগদবনি।

মহাকা হায়-জজশিংগী অচুম্বা ৱায়েলনা মরাল লৈরবা মীওই চা কয়া ফংফম থোকপা দন্দিশিং ফংহনবা য়াই। অদুমওইনমক, মরাল অমত্তা লৈজদবা মীওই অমা ফাওবা দন্দি পীনবা হোৎনররোইদবনি। গনতন্ত্রগী সরকার অমদা মরুওইবা অহুমশুবা য়ুম্বী ওইরিবা জ্দিসিয়ারিনা ফজরবা লৈঙাক্লোন অসিগী য়াংলেন শরূ ওইরিবনি। রুল ওফ লোনা গনতন্ত্রবু অহিংবা ওইহনবগুম নীংতম্বা ৱায়েল পথাপনা রুল ওফ লো অমসুং সংবিধান ঙাকপদা চাউরবা থৌদাং লৌরি। সংবিধানগী মখাদা অফবা লৈঙাক সাসন অমা লিংবদা জ্দিসিয়ারিনা অচৌবা থৌদাং লৌরি। মসিগী মথক্তা ইগজ্কিটিব অমদি লেজিসলেচরশিংনা তৌরিবা থবক থৌরমশিংদা আইনগী ওইবা চৎন-কাঙলোনশিং ঙাকা চৎলিব্রা হায়বদুসু য়েংশিল্লিবনি। চাউখৎপা, শান্তি লৈবা, নীংতম্বা অমসুং শেঞ্জা থুমজা লৈতবা খুন্নাই অমা থমবা হোৎনবদা জ্দিসিয়ারিগী চাউরবা থৌদাং লৈ হায়নসু রাজ্যপালনা মখা তানা ফোংদোকখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা হায় কোর্ট ওফ মনিপুরগী চীফ জষ্টিস-সিদার্থ ম্রিদুলনা হায়-মনিপুরদা হায় কোর্ট অমা লিংখৎপা অসি লৈবাক অসিনা পীখিবা থাজবা অমা ঙাকপা ঙমলে হায়বগী খুদমনি। রাজ্য অসিগী জিলা জিলাশিংদা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট কোর্টশিং অসি হেন্না অপগ্রেট তৌহনবগী তঙাইফদবা লৈ। দিষ্ট্রিক্ট কোর্টশিং অসিগী অৱাৎ অপা মেনখৎপা অমদি মতমগা চুন্নবা টেকোলোজি কয়া হাপচিনদুনা মীয়ামদা য়ারিবমখৈ অচুম্বা ৱায়েল থুংনা ফংহন্নবা হোৎনবা চংই।

থৌরম অদুদা রাজ্যপালনা ভরচুয়েল কোর্ট ফোর ত্রাফিক ওফেন্সেস হাংদোকখি। চীফ জষ্টিস-সিদার্থ ম্রিদুলনা ই-ফাইলিং ফোর দিষ্ট্রিক্ট কোর্টস, ই-হায় কোর্ট রিপোর্ট, ৱার্ক মেনেজমেন্ট সিষ্টেম ফোর দিজিটাইজেসন এন্দ ই-সেভা কেন্দ্র প্রোজেক্টস, ৱার্ক মেনেজমেন্ট সিষ্টেম ফোর ওল ত্রান্সলেসন প্রোজেক্ট অমসুং লার্নিং মেনেজমেন্ট সিষ্টেমসু হৌদোকখি।

**মৈঃ** চুরাচান্দপ্রগী ন্যু বজার এরিয়াদা ঙসি অয়ুক পুং অহুমলোম তারকপা অদুৱাইদা খঙহৌদনা মৈ চাক্লকপদগী য়ুম য়াওনা দুকান কয়ামরুম মৈনা তুমা চাকখ্রে।

ঐখোয়গী চুরাচান্দপুর পাউমী-ফ্রান্সিস সোঙাতেনা হায়-থৌদোক অদু হেক থোকপগা ফয়ার টেন্দরশিংনা খোংঙলৈ থুনা চংশিল্লক্তুনা মৈ কনবগী থবক চথখি। মৈ অদু করমা হৌরকখিবনো হায়বা খঙবা ঙমদ্রি। অদুমওইনমক, ইলেক্ত্রিক্ট সোর্ট সারকুইটগী ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরি।

**সিইও (এল)ঃ** চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসার-প্রদিপ কুমার ঝানা সভাপতি ওইদুনা তোঙান তোঙানবা জিলাশিংগী চীফ মেদিকেল ওফিসারশিংগা মীফম অম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা মথৌ তৌগদবা সেক্যুরিতি পার্সোনেলশিং অমদি পোল্লিং পার্সোনেলশিংনা নারকপা অমদি অশোক অপন থোরকপা মতমদা শেল লৌদনা লায়েংনবগী মতাংদা মীফম অদুনা খন্নখি। সি.এম.ওশিংনা মীখলগা মরী লৈননা মথৌ তৌরিবা মীওইশিংদা অনা লায়েংগী খুদোংচাবা নীংথিনা ফংহন্নবা দরকার লৈবা থবকশিং পায়খৎনবসু সি.ই.ওনা পাউতাক পীখি। থৌরম অদুদা হেলথকী ষ্টেট নোদেল ওফিসার-ডা: এন. বিনো সিংহনা হকশেল বিভাগনা শেম শারিবশিংগী মতাংদা পাউদমলদুনা হায়-রেপিদ রেস্পোন্স টিমশিংদা দরকার লৈরকপা মতমদা শিজিন্নবা হেলিকোপ্তর অনি থৌরাং তৌদুনা লৈরে। পামদবা থৌদোকশিং থোরকপদগী অশোক অপন নংলবা পোল্লিং পার্সোনেল অমদি সেক্যুরিতিগী মীওইশিং সরকার অমসুং লন্নাই হোস্পিতালশিংদা শেল তিংদনা লায়েংনবগীদমক শেম শাদুনা লৈরে হায়নসু ডা: বিনোনা মখা তানা ফোংদোকখি।

**ত্রেন্নিং(এল)ঃ** লাক্কদৌরিবা ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা

ই.ভি.এম. অমসুং ভি.ভি. পেট শিজিন্নবগী মতাংদা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী ওফিস কমপ্লেক্সতা লৈবা কোন্ফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসার-টি.ঐচ. কিরনকুমার অমসুং মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং শরুক য়াখি। তোঙান তোঙানবা রাজনিতি দলশিংগী মীহুৎশিংসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনসু মীখলদা মথৌ তৌগদবা প্রিসাইদিং অমসুং পোল্লিং ওফিসারশিংগী অহানবা রাউন্দগী ত্রেন্নিং অমা ঙসি তোঙান তোঙান মফম মরিদা পাঙথোকখ্রে। মদুদা, ওফিসিএল ৫০০ রোম শরুক য়াখি।

থৌবাল জিলাগী ওইনসু থৌবাল কলেজতা ঙসি পোল্লিং পার্সোনেলশিংগী অহানবা রাউন্দগী ত্রেন্নিং পাঙথোকখ্রে। মদুদা, ওফিসিএল ৬৪৭ শরুক য়াখি।

ফেরজোল জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসার-অশিস দাসনা সভাপতি ওইদুনা ঙসি পাঙথোকখিবা মীফম অমনা মীখলদা মথৌ তৌগদবা পার্সোনেলশিংনা মশা মশাগী থৌদাং নীংথিনা পাঙথোকবা খঙহনখ্রে।

কাংপোকপী জিলাগী ওইনসু ই.ভি.এম. অমসুং ভি.ভি.পেদ শিন্নিবগী মতাংদা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি জিলা অসিগী দি.সি. ওফিস কমপ্লেক্সতা লৈবা কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসার-মহেশ চৌধুরিনা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়াখিবা ওফিসিএলশিংদা ই.ভি.এম. অমসুং ভি.ভি.পেদ. শিজিন্নবা নীংথিজনা হৈনবা হোৎননবসু পাউতাক পীখি।

**তমেংলোং(এল)ঃ** লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখল নিয়ম চুমা অমসুং মায় পাকা পাঙথোকপা য়ানবা হোৎনবদা মীয়ামা মতেং পাংবীনবা তমেংলোংগী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসার-ডাঃ এল. অংশিম দংশাংৱানা আপিল তৌরি। ঙসি জিলা অসিগী মিণি সেক্রেটরিয়েটতা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা মহাকা হায়-মীয়ামনা মীখলগী কোড ওফ কন্দক্ট ঙাকা চৎপগা লোয়ননা আইননা য়াদবা থবক থৌরম অমত্তা তৌরোইদবনি। লাইসেন্স য়াওবা নোংমৈ পায়রিবশিংনসু অথুবা মতমদা

নোংমৈশিং অদু মনাক নকপা পুলিস ষ্টেসনশিংদা পীখৎলকবা শ্রী দংশাংৱানা আপিল তৌখি।

**কোকোমি (এল) ঃ** কোকোমিগী ৱাঙাংলোয় অমদি ইপসাগী ভাইস প্রসিদেন্ট-খুরাইজম অথৌবনা হৌজিক জেনেভাদা চথরিবা য়ুনাইটেদ নেসন্স হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিলগী মীফমদা মনিপুরগী য়েলহৌমীশিংগী ফংফম থোকপা মীওইবগী হক ঙাক শেন্দুনা থন্বীনবা তকশিনখ্রে।

ঙমখৈ লান্না দ্রগ অমসুং নোংমৈ লল্লোনবা থিংনবা অকনবা থবক লৌখৎনবা, পোপী থাদুনা মহৌশাগী খল কায়হল্লিবা মীওইশিংগী হিংনবগী অতোপ্পা উপায় নিংথিনা পীননবা অমসুং লমদম অসিদা থোক্লিবা হিংশাগী থৌদোকশিংদা মরৈবাক্কী টেরর নেটৱার্কশিং চেন্নরিবা অসি থিংনবা হোৎনবদা মালেমগী মীয়ামনা মতেং পাংবীনবসু শ্রী অথৌবনা মীফম অদুদা তকশিনখি।

**মীলাল(এল) ঃ** কুমশি চহিগী মেত্রিক পরিক্ষাগী হৌখিবা থা অসিগী ২০ দা থোকখিবা মনিপুরি-মীতৈ ময়েক্কী সবজেক্টকী ক্বোইসনদা সেরিয়ল কায়না ইবা, লোনচন-বনান লানবা অমদি লোনয়ান য়াওবগী মতাংদা মীলালনগী থৌমীশিংগা বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন মনিপুরগী ওফিসিএলশিংগা মীফম পাঙথোক্তুনা খন্নখ্রে। মীফম অদুনা অসিগুম্বা অশোয়বশিং মতুংদা অমক হন্না থোকহন্দনবা পুন্না হোৎনমীন্নবা হায়নসু য়ান্নখি হায়রি।

**আশা(এল) ঃ** মনিপুরদা লৈরিবা আশা ৱার্করশিংগী মতম শাংনা ফংদনা লাকপা ষ্টেট সিয়ারগী শেনফম ফংবা হৌরে হায়না ওল মনিপুর আশা ৱার্করস য়ুনিয়ননা হায়রি।

য়ুনিয়ন অসিনা শিনদুনা ঙসি ইম্ফালগী ইরাবত ভবনদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা য়ুনিয়ন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি-পাউনম আশারানিনা হায়-পুন্না থা ১৮ ফংলুদ্রবা মতুং য়ুনিয়ন অসিনা কন্না হোৎনবদগী শেনফম অসি

ফংবা হৌরকপনি।

**এৱারনেস(এল)ঃ** রাস্ত্রিয়া অভিসকার অভিয়ান অমসুং সমগ্র শিক্ষাগী মখাদা ন্যু আইদেল স্কুল-থৌবাল নিংঙোম্বমনা শিনদুনা ঙসি স্কুল অসিদা বিগ্যান, অঙ্ক অমসুং টেকোলোজিগী মরুওইবশিংগী মতাংদা মহৈরোইশিংবু ভাব তাহনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা অখণ্ড অহে কয়ানা ৱা ঙাংখি।

**ককচিং(এল)ঃ** ককচিংগী গ্রেস কোটেজ একাডমীদা নোংমগী ওইবা লিগেল এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা আইনগী লমদা খণ্ড হৈরবা মীওই কয়ানা ৱা ঙাংখি।

**ভেক্সিন(এল)ঃ** রাজ্যগী ভেটিরিনারি এন্দ এনিমেল হসবেন্দরি সার্ভিসেসকী মতাংদা চান্দেলগী দিষ্ট্রিক্ট ভেটিরিনারি ওফিসনা শিনদুনা ঙসি লেমা এন্তি রেবিস ভেক্সিন কাপথোকপগী থৌরম অমা চান্দেলদা পাঙথোকখ্রে। মদুদা, হুই অমসুং হৌদোং ১০০ গী মথক্তা ভেক্সিন কাপথোকখি।

**এআর(এল)ঃ** তেংনৌপল জিলাগী মচিদা লৈবা সেন্ট এনথোনিজ স্কুলদা ঙরাং অসাম রাইফলসনা শিনদুনা ফ্রেন্দলি বোল্লিবোল মেটচ অমা পাঙথোকখ্রে। তুংদা, স্কুল অদুদা শান্ন খোৎনবগী পোৎলমশিংসু মতেং পাংখি। থৌরম অদুদা স্কুল অদুগী মহৈরোই অমসুং ওজাশিংনা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, ৩৩ শুবা অসাম রাইফলসনা শিনদুনা ঙসি লিলোং পুলিস ষ্টেসনগী অৱাংদা লৈবা বটালিয়ন অসিগী পোষ্টতা নেসনেল ভেটরান ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা নেহরু য়ুব কেন্দ্র থৌবালগী মায়কৈদগী স্বিপকী মতাংদা মীয়ামবু ৱাখল তাহনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** বিষ্ণুপুরগী মিণি ষ্টেদিয়মদা চংখরিবা ৮ শুবা ইবোতোন

মেমোরিএল থার্দ দিভিজন অন্দর ফিফতি বোইজ ফুটবোল লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা সোসিএল ৱেলফিয়ার ক্লব-বিষ্ণুপুরনা য়ুথ সোসিএল ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসনবু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

**প্রোগ্রাম (এল)ঃ** অকাশবানি ইম্ফালগী ই-পাউ কাংবুনা অখন্ননা শন্দোকপা ঈগী খোঙ্গুল লীবা থৌরমগী, অসামগী জারিবোন খুলগী মঙাশুবা তাঙ্কক্কী মপাউ কৌবা থৌরম অমা হয়েং অয়ুক পুং ৬ মিনিট ৪০ দা শন্দোক্কনি। থৌরম অসি য়ু ট্যুব চেন্নেল অকাশবানি ইম্ফালদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি।

**মীখলঃ** হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখল অসিদা লৈবাক অসিগী নৌনা ভোটর চল্লবা চহি ১৮ দগীনা ১৯ ফাওবগী নহা কোতি অমা লাখ ৮০ রোমা অহানবা ওইনা ভোট থাদগদৌরি।

মীখল অসিগী য়েংলগা নৌনা ভোটর চল্লবশিং অসিনা গনতন্ত্রগী চাউরবা কুম্মৈ অসিদা শরুক শুংশোই শোয়দনা শরুক য়ানবা আই ভোট ফোর সিয়োরনচিংবা সোসিএল মিদিয়া কেম্পেইনচিংবা পাক শন্না চত্থরি।

অকাশবানিনা ফংবা পাউগী মতুং ইন্না, লৈবাক অসিগী চহি ২০- দগী ২৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নহাশিংগী অপুনবা ভোটর মশিং অসি কোতি ১৯ লাখ ৭৪ রোমনি।

ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াদগী ফংবা পাউ মতুং ইন্না, হৌজিক ফাওবদা চহি ১৭ কী মথক্তা লৈবা মীওই লাখ ১৩ লিশিংহ ৪০ হেনবনা মখোয় মখোয়গী গনতন্ত্রনা পীবা হক শিজিন্ননবা দরখাষ্টশিং পীশিন্নরক্লে। লোক সভা মীখল অসিগী য়েংলগা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা সাচিন তেন্দুলকর অমসুং রাজকুমার রাও য়াওনা মশক নাইবা মীওইশিং আইকোন ওইনা শিজিন্নরি। মসিনা মরুওইনা নহাশিংনা মীখল অসিদা হেন্না শরুক য়াহন্নবগী পান্দমদা পায়খৎপা থৌরাংনি।

**কিল্ড ঃ** রাসিয়াগী মোস্কোদা ঙরাং টেরোরিষ্টশিংনা এট্টেক চথ্খদুনা মীওই ১১৫ হাৎখিবগী থৌওং অদুবু মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক অমদি লুপশিংনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

যুনাইটেদ নেসন্সকী সেক্রেটরি জেনরেল-এন্তোনিয়ো গুতরেসনা মোস্কোগী ক্রোকুস সিটি হোলদা ঙরাং টেরোরিষ্টশিংনা এট্টেক চথ্খিবা অদুবু য়ামা কনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে। যুনাইটেদ নেসন সেক্যুরিতি কাউন্সিলনা থৌওং অদুদা চেন্নবা মীওহ খুদিংমক মতিক চাবা দন্দি অথুবা মতমদা পীননবা লৈবাক পুমমকা রাসিয়া সরকারগা খুৎশমনা থবক তৌমীন্নবগী ৱাফম ফোংদোকখ্রে।

ভারতকী প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনসু মোস্কো কনসর্টদা চথ্খিবা টেরর এট্টেক অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোকখিবা লৈরবনি। মসিগা লোয়ননা অতোপ্পা লৈবাকশিং, যুনাইটেদ ষ্টেট, যুনাইটেদ কিংদম, ফ্রান্স, স্পেন, যুনাইটেদ অরাব ইমরেট অমসুং যুরোপিয়ন যুনিয়ননা টেরর এট্টেক অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্লি।

পনবা য়াবদি, ইস্লামিক ষ্টেট খোরাসান (আইসিস কে) না মাস্কো কর্ন্সটতা চথ্খিবা টেরর অদু মখোয়গী ফাইটরশিংনা তৌখিবনি হায়না ফোংদোকখ্রে।